# মপি কাউন্সিলগী কুমওন্দা উ চারা কয়া থাখ্রে

## চীং–তমগী অমত্তা ওইবা মীৎয়েংদা ঙল্লিবমখৈ থবক তৌখিগনি ঃ বিমোল




ইম্ফাল, জুলাই ০২ (এস এন এস)ঃ মণিপুর পিছ এন্দ ইন্টিগ্রিটি (মপি) কাউন্সিলগী ১৯ লক শুবা মপোক কুমওন নুমিৎ থৌরম ঙরাং পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা তাউথোংদা লৈবা কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা) রিহেব্লিটেসন সেন্টরগী কেম্পসতা মখল কয়াগী উহৈ পানবা পাম্বীশিং থাখ্রে লোয়ননা ৱাটর টেঙ্ক অমা, রাইচ কুকর অমা অমসুং ফব্লাং ঘরী অমা সেন্টর অসিদা খুদোল তমখ্রে।

মপি কাউন্সিলগী সেক্রেটরী এম নেতানা ফোঙদোরকখিবদি মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ঙরাং নুংথিল মপি কাউন্সিলগী কনফরেন্স হোলদা অচম্বা থৌরম অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা কাউন্সিল অসিগী প্রসিদেন্ট এন বিমোল মৈতৈ, এমসুগী প্রসিদেন্ট পিটর লাইশ্রম অমদি অমজুগী প্রসিদেন্ট বিজোয় ককচিংতাবম্না পুন্না ময়ায় ফমখি।

থৌরম অদুদা বিমোল মৈতৈনা ফোঙদোকখিবদি অপূনবা ইরমদম অমগীদমক হায়বা ৱাখল্লোন্দা ২০০১ ইৱাই ইনিল মরক্তা শেমখিবা মপি কাউন্সিলনা ইরমদম চীং–তমগী অমত্তা ওইবা মীৎয়েংদা ঙল্লিবমখৈ মীয়ামগী থবক তৌখিগনি। ঙসিগী লৈঙাক্লসু ইরমদমগী মীয়াম্বু নুংশিবগা লোয়ননা তুংগী মীরোলগীদমক খনবিরগা থবক তৌহন্নিংই হায়খি। থৌরম অসি মায় পাক্লবা হোৎনবদা শৌগৎপিখিবা অমসুং মতেং পাংবিখিবা পূম্নমকসু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মীয়াম্না শক খঙনরিবা হ্যুমেন রাইট এক্টিভিষ্ট বব্লু লোইতোংবমনা তৌখিবা থবকপু শীংথাবগা লোয়ননা মেমেন্টো অমদি সাল খুদোল তমদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

বব্লু লোইতোংবম্না হায়, মালেমগী মীয়াম্না ফংলিবা হকশিং ইরমদম অসিগী মীয়ামসু মপূং ফানা ফংজদুনা মনিং তম্না হিংজনবা হোৎনরিবা অসি ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা উদবঙুম খল্লিবসি নীংথিনা খন্ন–নৈনবা মথৌ তাই। মালেমগী ওইনা য়ু এননচিংবদা ময়েক শেংনা থমদুনা হোৎনরিবা কয়া অসিগী মরমদা ঙসিগী লৈঙাক্লা নীংথিনা মমুৎ তানা নৈন–খন্নহৌদ্রবদি তুংগী মীরোলগী লাইবক করি ওইহৌগনি হায়বা ঙমদবগী নুংনাংবা অদুসু ফোঙদোকখি। মরম অদুনা মীয়ামগী, লৈবাক্কী থবক তৌরিবা লূপশিংনা হিরমশিং অসিদা মীৎয়েং শান্না নীংথিনা পাঙথোকমিন্নবগী মথৌ তারে হায়খি।

এমসুগী প্রসিদেন্ট পিটর লাইশ্রম্না ফোঙদোকখিবদি লৈবাক্কীদমক, তুংগী মীরোলগীদমক থবক তৌজরিবা মরুওইনা মহৈরোয়শিংনা মহৈ মশিন নীংথিনা তমদুনা লৈঙাক্কী ফম পায়দুনা থম্মোয় শেংনা থবক তৌরগদি অফবা খুন্নাই ওইনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইগনি। লৈপাক্কী থৌগায় কয়াদা মীয়াম্না শিন্নবিবা থবক কয়া মাঙজিন থানা পাঙথোক্লবা হোৎনগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## কে সি পি মেম্বর অমা ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ১৫ অসাম রাইফলসকী অপূনবা টিম অমনা ঙরাং সেক্তা অৱাং লৈকাই অমদি অকোয়বদা থিবা হুম্বগী থবক চখ্খবদা কে সি পিগী এক্টিভ মেম্বর ১ ফারে।

মণিপুর পুলিসকী পি আর ওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ফারবা মীওই অদু অরুবম সরত মৈতৈ চহী ৩৫ অপোকপা লৈখিদ্রবা সনাজাওবা মৈতৈ কৌই। সেক্তা অৱাং লৈকাইদগীনি। প্রাইমারি হেলথ সব সেন্টর মনাক্তগী ফাবনি। লম্লাই পুলিস ষ্টেসনদা কেস রেজিষ্টার তৌদুনা মখা থিজিনবগী থবক চখ্খরি।

## ওল মণিপুর মিদ দে মিল ৱার্ক য়ুনিয়নগী অনৌবা থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (এস এন এস)ঃ হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাঙথোকখিবা ওল মণিপুর মিদ দে মিল ৱার্করস য়ুনিয়নগী অহুমশুবা ষ্টেট কনফরেন্সনা য়ুনিয়ন অসিগী মীওই ৫১ না শাবা কম্মিটি অমা শেম্বগা লোয়ননা থৌ পুগদবশিং নৌনা খনখ্রে।

মমাঙগী জেনরেল সেক্রেটরী হিদংময়ুম টিকেন্দ্রনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, য়ুনিয়ন অসিগী নৌনা থৌ পুনবা খনখ্রবশিং অদুদি সনসম মাইনৌ সিংহ প্রসিদেন্ট, মাইবম জমুনা দেবী, কোদুনসিংলু কামসোন, এল তোম্বিরৈ দেবী অমদি সরিদা ছেষ্টি পূম্নমক ভাইস প্রসিদেন্ট, আরাম্বম থোই চনু জেনরেল সেক্রেটরী, কাংজম ইবেমচা দেবী ত্রেজরর, এ মঙলেম্বা, নোংথোম্বম অরুনা দেবী অমসুং এল রোমবতি দেবী পূম্নমক জোইন্ট সেক্রেটরীনি।

ওল ইন্দিয়া মিদ দে মিল ৱার্করস ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরী জয় ভগবানসু শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অদুগী নুংথিলগী সেসন্দা মমাঙগী জেনরেল সেক্রেটরী হিদংময়ুম টিকেন্দ্র শর্ম্মনা পুথোকখিবা রিপোর্ট দেলিগেট ৯ না খন্ন–নৈনরবা তুংদা য়েৎনবা লৈতনা অয়াবা পীখি অমসুং তোঙান তোঙানবা ৱারেপ ১১ সু লৌখি।

মমাঙগী প্রসিদেন্ট মাইবম লোইতাং দেবীনা য়ুনিয়ন অসিনা মিদ দে মিল ৱার্করশিংগী য়াইফনবা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং কয়া মখা তানা চঙশিনবগী তঙাইফদবা ফোঙদোকখি। মিদ দে মিল ৱার্করশিংদগী শেল খায়গৎপা ঙসি ফাওবা তোক্ত্রি। অদুনা শাশিন্নবশিংনা শেল খোমগৎপা লাক্লবদি য়ুনিয়নদা পাউ পীবিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কনফরেন্স অদুদা জিরিবামদগী য়াওনা তোঙান তোঙানবা জোনদগী দেলিগেট ২৭৬ না শরুক য়াখি হায়রি।

## কুমওন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (এস এন এস)ঃ কংলৈ শক্তম লাঙবা কাঙলূপ হাওবম মরক ইরোম লৈকাই ইম্ফালগী ৪৭ শুবা কুমওন থা অসিগী ৪ শগোলশেল নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা নহারোল য়াইফ লমজিংকোল শঙলেন হাওবম মরক ইরোম লৈকাইদা পাঙথোকপগা লোয়ননা দান্স প্রদক্সন পাম্বোইবী শিম্বা উৎকনি হায়রি।

থৌরম অদুদা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমি ইম্ফালগী প্রধান গুরু ওইরম্বা আর কে অচৌবা সিংহ পদ্মশ্রীনা অথোইবা মীথুংলেন, সি এ য়ু ইম্ফালগী দিরেক্টর ইন্সট্রক্সন ডা. সোইবম বসন্ত সিংহ অমদি ক্রিটিক অমসুং প্লে রাইট বুধ চিংথামনা মথংশিৎনা ইকায় খুম্নবা মীথুং অমদি থৌরম মপু ওইগনি হায়রি।

## জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুল প্লে গ্রাউন্দ য়াওনা মফম কয়ামরুমদা উ চারা থাখ্রে

জিরিবাম, জুলাই ০২ (এস এন এস)ঃ ৭০ শুবা বন মহটসব ২০১৯গা মরী লৈননা ঙসি অয়ুক পুং ৬.৩০ দগী হৌনা জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দ, জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী গেষ্ট হাউস অমদি অতৈ স্কুলশিংগী কমপ্লেক্সতা উ চারা কয়া থাখ্রে।




দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট ওফিস জিরিবাম, দিষ্ট্রিক্ট পুলিস, জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুল, ওল্ড জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এ জে এস এ), ওল জিরিবাম রোদ ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস য়ুনিয়ন (এ জে আর টি দি য়ু) খুৎশম্নদুনা চখ্খিবা উ চারা থাবগী থবক অদুদা জিরিবাম হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল এল রঞ্জিৎকুমার সিংহ, এস পি জিরিবাম এম মুবি সিংহ, দি এফ ও জিরিবাম সিঐচ ইবোমচা সিংহ, এ জে আর ই দি য়ুগী প্রসিদেন্ট এম তোমবাবু সিংহ অমদি এ জে এস এগী প্রসিদেন্ট এম ব্রজকান্ত সিংহসু শরুক য়াখি।

এস পি জিরিবাম এম মুবিনা হায়, উ চারা থাবগী মপূং ওইবা পান্দমদি হৌজিক ওইরক্লিবা গ্লোবেল ৱার্মিংগী চৈথেং অদুগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী য়াম্না তোয়না মশান্না কয়া পাঙথোক্লিবা গ্রাউন্দা উরুম লাক্লবা শান্নরোইশিংদা নত্তনা অয়েংবশিংগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসি কোকহন্নবগীদমক্নি। উ ৱানা মীওইবা ঐখোয়দা কান্নবা পীবদা নত্তনা উরুমসু ফংহল্লি হায়রদুনা য়াম্না শাবা মফম ওইবনা উ মরাং কায়না থারগদি খরদা ওইরবসু শাবগী চাং হন্থহনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা থমখি।

দি এফ ও জিরিবাম সিঐচ ইবোমচা সিংহনা হায়, মরু ওইনা পুলিস, ফোরেষ্ট, স্পোর্টস এসোসিয়েসন, এ জে আর টি দি য়ু অমদি হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগা পুন্না শীন্দুনা উ থাবগী থবক অসি চখ্খবনি। মখা তানা মফম কয়াদসু থাখিগনি।

## লিন্না চিকপা মীওই অনী কনবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (এস এন এস)ঃ নাইন সেক্টর অসাম রাইফলসকী টুলিহল বট্টালিয়নগী য়ুনিট হোস্পিটালদা পুখৎলকখিবা লিন্না চিকপা মীওই অনী মতম চানা লায়েং চখ্খদুনা কনবা ঙমখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, তোঙান তোঙানবা থৌদোক ২ দা কুম্বী তেরাখোং ভিল্লেজদগী চহী ২২ খক্তা ঙাইরিবী লৈশাবী অমসুং কাঞ্চি খুল ভিল্লেজদগী চহী ২৭ শুরবী মৌনহা অমা মহু চেনবা লিন্না চিকপদগী টুলিহলদা লৈবা য়ুনিট হোস্পিটালদা পুরকখি। রেজিমেন্টেল মেদিকেল ওফিসারগী মখাদা মেদিকেল টিম অমনা খুদক্তা লাইয়েং চখ্খদুনা মখোয় অনীমক খুদোংথি–গদবদগী কনবা ঙমখিবনি।

## কোংগ্রেসনা রথ যাত্রগী পাউজেল পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (এস এন এস)ঃ শ্রীশ্রী জগনাথকী মতিক মগুণ শকচ–শোঞ্জবগী শেংলবা রথ যাত্রা থৌরম্না লাকপদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সি সি) প্রসিদেন্ট গাইখাঙম্না মীয়ামদা মরু ওইনা হিন্দু লাইনিং চৎপশিংদা হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোকপগা লোয়ননা য়াইফ পাউজেল পীরি।

মহাক্কী পাউজেলদা হায়, লাক্লিবা শগোলশেল নুমিত্তগী হৌগদৌরিবা শেংলবা থৌরম অসিনা মীওইবগী থম্মোয়দা মতম কয়াগী মমাঙদগী লৈরকপা ফত্তবা চরাংনবা ৱাখল কয়াবু ঈশ্বরগী মিংখৈ অমদি মতিক মগুণ শক শোঞ্জবনা কোকহনবিদুনা অনৌবা মঙাল অমসুং অনৌবা লম্বী পীবিবা ওইরসনু।

জাৎ, লাইনীং লাইশোন অমদি কাঙলূপ কয়ানা পূল্লগা খুন্দামিন্নরিবা মণিপুরদা কল্লকপা য়েংথিনবা কয়া থাদোক্লদুনা অমত্তা ওইবা ৱাখলদা ঐখোয় খূদিং পূন্না নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা, হাৎন–শুনবা য়াওদবা, শান্তি লৈবা, ইং তপ্পা লমদম অমা পীবিবা ওইরসনু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## দাসতা এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (এস এন এস)ঃ দেল্টা এদভান্স স্কুল (দাস) ক্লাকৈথেলনা শীন্দুনা দ্রগ লান্না শীজিন্নবা অমসুং লল্লোনবগী মতাংদা এৱার্নেস প্রোগ্রাম হয়েং য়ুমশকৈশ নুমিৎকী নুংথিল পুং ১ তাবদা স্কুল অসিদা পাঙথোক্কদৌরি। প্রিন্সিপাল জি বিনিতা দেবীনা ফোঙদোরকখিবদি এৱার্নেস প্রোগ্রাম অসিদা এদিস্নেল এস পি (নাব) টিঐচ বৃন্দা অমসুং এ এম এস জি ওগী সেক্রেটরী সুমতি শৌগ্রাকপমনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াগনি।

## এ দি সি চান্দেলগী মখাদা লৈবা স্কুল ৬০ দা দেক্স অমসুং বেঞ্চ য়েন্থোকখ্রে

চান্দেল, জুলাই ০২ (এস এন এস)ঃ অহুমশুবা ষ্টেট ফাইনান্স কম্মিসন ২০১৮–১৯ গী শেন্থুং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেলগী মখাদা লৈবা স্কুল ৬০ দা দেক্স অমসুং বেঞ্চ ঙসি য়েন্থোকখ্রে।

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ৱাবগাই লমখাইদা লৈবা এম এস চাউবী শো মিল কমপ্লেক্সতা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেলনা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমদা হায়রিবা দেক্স অমসুং বেঞ্চশিং য়েন্থোকখিবনি। থৌরম অদুদা এ দি সি চান্দেলগী চিয়ারমেন দি রিঙ্গো লমকাংনা অথোইবা মীথুংলেন, এ দি সি অসিগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর (এদুকেসন) টি এস কানলুননা থৌরম মপু অদুগা চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসার কেএসঐচ সিদারথানা অখন্নবা মীথুং ওইখি।

চিয়ারমেন রিঙ্গো লমকাংনা হায়, ফন্দ মরাং কায়না লৈতবনা স্কুল খূদিংমক্তা দেক্স অমসুং বেঞ্চ পীবা ঙমদে। মতম মতমগী মতুং ইন্না লাকপা ফন্দগী মখা তানা স্কুল অতৈদসু পীনবা হোৎনগনি।

এগজিক্যুটিভ মেম্বর টি এস কানলুননা হায়, অরৈবা ফন্দ খরনা দেক্স অমসুং বেঞ্চ অসি পীবনি। চিয়ারমেনগী মীৎয়েং মখাদা এ দি সি মেম্বরশিংনসু মাগী মাগী এরিয়াদগী স্কুল অনী অনী খনগৎতুনা দেক্স অমদি বেঞ্চ ২–২ পীনবা ৱারেপ্পখিবগী মতুং ইন্না ঙসি য়েন্থোকপা অসিদা য়াওরি।

স্কুলশিংগী হেদ মাষ্টর অমদি হেদ মিষ্ট্রেসশিংনসু য়েন্থোক্লিবা দেক্স অমসুং বেঞ্চ স্কুল য়ৌনবা পুবিয়ু। দি আই অমদি এ আইশিংনসু স্কুল ইন্সপেক্সন চৎপদা দেক্স অমসুং বেঞ্চশিং অসি নীংথিনা শীজিন্নরিব্রা হায়বা অদুসু য়েংশিনবিয়ু হায়নসু টি এস কানলুন্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## আর টি আই এক্টকী মতাংদা এৱার্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

মোরে, জুলাই ০২ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসন অমদি দিপ্যুটি কম্মিস্নার তেংনৌপল খূৎশম্নদুনা আর টি আই এক্ট ২০০৫ কী মতাংদা নোংমগী ওইবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম ঙসি বোর্দর টাউন মোরেদা লৈবা এদিস্নেল দিপ্যুটি কম্মিস্নার ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসনগী ইনফো–র্মেসন কম্মিস্নার ও সুনিল, চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নার ওইরম্বা টিঐচ ইবোবি, মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিপ্যুটি সেক্রেটরী জি শান্তিকুমার কবুই, এ দি সি মোরে এম রাজকুমার অমদি এস দি ও মোরে দিনেসকুমারসু শরুক য়াখি। তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিং মপূং ওইনা এদুকেসন, ফোরেষ্ট, সোসিয়েল ৱেলফেয়ারনচিংবগী ওফিসিয়েলশিং অমদি সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিং শরুক য়াখি। আর টি আই এক্টনা পীরিবা কাঙলোনশিংগী মতাংদা কূপ্না খঙমিন্নবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী মীওই কয়ানা এক্ট অসি থবক্তা ওন্থোকপগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি হায়রি।

## ইন্দো–ম্যান্মার মেদিকেল কনফরেন্স মন্দলেদা পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (এস এন এস)ঃ ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসি–য়েসন মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা অহানবা ইন্দো–ম্যান্মার মেদিকেল কনফরেন্স চৎলিবা থা অসিগী ৭ নোংমাইজিং নুমিত্তা ম্যান্মারগী মন্দলেদা পাঙথোক্কদৌরি।

আই এম এ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরী ডা. নেলসন লোইতোংবমনা ফোঙদোরকখিবদি কনফরেন্স অসিদা আই এম এ হেদ ক্বার্টর নোর্থ ইষ্ট কম্মিটিগী কনভেনর ডা. আর এন টন্দোন য়াওনা মণিপুর অমসুং অসামগী ডাক্তর ২৮ না শরুক য়াগনি। শরুক য়াগদবা টিম অসি থা অসিগী ৪ শগোলশেল নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪.৩০ তাবদা লম্ফেলপাৎতা লৈবা ইমা হাউসতগী চীফ সেক্রেটরী ডা. সুরেসবাবুনা লমথাগনি হায়রি।

## সার্টিফিকেট য়েন্থোকখ্রে

জিরিবাম, জুলাই ০২ (এস এন এস)ঃ মহিলা পতাঞ্জলি যোগ সমিতি মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যলয়া জিরিবামগী ওদিটোরিয়মদা গেট–টু–গেদর পাঙথোকপগা লোয়ননা সার্টিফিকেট য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দিপ্যুটি কম্মিস্নার রোবার্ট সিংহ ক্ষেত্রিময়ুম, মহিলা পতাঞ্জলি যোগ সমিটি মণিপুরগী রাজ্য প্রভারি এন নিলিমা দেবী, এস পি জিরিবাম এম মুবি সিংহ এম পি এস, প্রিন্সিপাল ওইরম্বা এস মনিতোন সিংহনা মথংশিৎনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকায় খুম্নবা মীথুংশিং ওইখি।

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমদা থা ৩ পাঙথোকখিবা যোগদা শরুক য়াখিবা মীওই ১০০ রোমদা সার্টিফিকেট য়েন্থোকখ্রে। থৌরম অদুদা এস মনিতোন্না হায়, যোগ মশান্না অসি য়াম্না লিরবা অমনি। মশান্না অসিনা মশা মউ ফবা হায়বদু শোয়দনা ওইবা ঙম্বনি।

এস পি মুবি সিংহনা হায়, হকচাংবু শান্তি লৈনা অমসুং পূক্নিং ৱাখল ইং তপ্পা লৈনবা হোৎনবদা যোগ অসি য়াম্না মরু ওই। নুপা নুপী পূন্না শান্নবা য়াবা অমসু ওই।

দি সি রোবার্ট সিংহনা হায়, যোগ অসি য়াম্না ফবা অমসুং কান্নবা ওইবগীদমক মীপুম খূদিংমক্না পাম্বা হেনগৎলক্লি। যোগ শান্নদুনা অফবা খুন্নাই অমা শেম্বদা মতেং পাংসি হায়বগী ৱাফমসু থমখি।

এন নিলিমা দেবীনা হায়, দিষ্ট্রিক্ট অপূনবগী ওইনা অসিগুম্বা প্রোগ্রাম পাঙথোকপা মথৌ তাই। জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু হেন্না পাকথোক চাউথোক্লবা হোৎনসি।

## শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ



পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয়গা লৈমিন্নরম্বী **খোইরাকপম ওংবী সুনিতা (ইনাওবী) দেবী**–না মাগী নুংশিজরবা ইমুং–মনুং, শাগৈ–নাতৈ মরুপ–মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ২৭।০৬।২০১৯ ইং, ইঙাগী ২৪ নি পানবা শগোলশেল নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ চৈত্যনা দাশিনি হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

তাং ০২।০৭।২০১৯ ইং ইঙাগী ৩০ নি পানবা, লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অস্থি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ১০।০৭।২০১৯ ইং, ইঙেনগী ০৯ নি পানবা, য়ুমশকৈশ নুমিত্তা শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা হৈ–লৈ খরদং শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রগী চরণদা হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা কচ্ছগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ–বৈষ্ণব, অহল–লমন, মরুপ মপাং অমদি ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা লৈখিদ্রবীগা তীন্নবীরম্বা খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্লবা খবরগী থোঙদা পাউজেঞ্জরি।

অয়ুক্কী চিরাদা লোইশিনজগনি

ৱাঙু তেরা অৱাং লৈকাই।

SL/B(Wangoo)/03

পাউজেঞ্জরিবশিংঃ
খোইরাকপম ইবোতোম্বা সিংহ (মকুবোক)
খোইরাকপম ওংবী জামিনি দেবী(মনেমপোক)
খোইরাকপম তোম্বা সিংহ (মপুরোইবা)

## থা ৪ গী তলব পীদ্রবদি থবক লেপ্পা য়াওনা খোঙজং কয়া চখ্খরগনি ঃ মীউ

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (এস এন এস)ঃ লৈঙাক্লা শিন্নীশিংগী অৱাবা খঙবিদুনা অমদি উবিদুনা চৎলিবা থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা থা ৪ গী তলব পীদ্রগদি মথং নুমিৎতগী থবক লেপ্পা অমদি মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোইজ য়ুনিয়ন (মীউ)না লাউথোকখ্রে।

মীউগী জেনরেল সেক্রেটরী টি লম্ফেল মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, পৱার দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবা কম্পনি অনী এম এস পি দি সি এল অমসুং এম এস পি সি এলগী মখাদা থবক তৌরিবা শিন্নীশিংগী মার্চ, এপ্রিল, মে অমসুং জুন থাগী তলব পীথোক্তবনা অৱাবা কয়া খম থেংনা মায়োক্লরে।

শিন্নীশিংগী অৱাবা খঙবিদনা ঙাইহাক লৈতনা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী (ফাইনান্স) রাকেস রঞ্জনা ষ্টেটকী ৱাংমদা চখোক চৎশিন তৌদুনা লৈবনা থবক তৌজরিবা শিন্নীশিংদা অৱাবা ওইহল্লি। অমরোমদা লিঙ্ক সেক্রেটরীগী চার্জ পুবা ভি ভুমলুনমাংনসু শিন্নীশিংগী অৱাবা খঙবিদনা দরকার ওইবশিং অদু তৌবিদ্রে। অদুনা খম থেংনা ৱারবা শিন্নীশিংগী য়েংদুনা চৎলিবা থা অসিগী ১০ ফাওবগী মনুংদা থা ৪ গী তলব পীদ্রগদি থা অসিগী ১১ দগী থবক লেপ্পা য়াওনা মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

## থা অমা চখ্খিবা অঙাংশিংগী থিয়েটর ৱার্কসোপ লোইশিনখ্রে

ককচিং, জুলাই ০২ (এস এন এস)ঃ সঙ্গিট নাটক একাদেমি ন্যু দিল্লি অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টকী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী মতেংগা লোয়ননা লিবরটি থিয়েটর ককচিংনা শীন্দুনা থা অমা চূপ্না চখ্খরকখিবা স্কুল তম্লিবা অঙাংশিংগী থিয়েটর ৱার্কসোপ ঙসি লোইশিনখ্রে।

ককচিং ফৌশুপাৎ লৈকাইদা লৈবা লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী মীপূনশঙদা পাঙথোকখিবা ৱার্কসোপ লোইশিনবগী থৌরমদা ৱাবগাই কেন্দ্রগী এম এল এ ফজুর রহিমনা অথোইবা মীথুংলেন, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি ইম্ফালগী সেক্রেটরী এল বিশোরজিৎনা থৌরম মপু অদুগা প্লেরাইট কেএসঐচ সনাজাওবনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

হৌখিবা জুন ১ দগী চখ্খরকখিবা ৱার্কসোপ অদুদা শরুক য়াখিবা অঙাংশিংনা ঈশৈ, থাঙ–তা অমদি জগোয়নচিংবা কয়াসু উৎখি। লোয়ননা মখোয়দা শকখঙচেসু য়েন্থোকখি হায়রি।

## আইহাংগী বি এম সি শেম্নবা ৱারেপ্লখ্রে

চান্দেল, জুলাই ০২ (এস এন এস)ঃ ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল চান্দেলগী ১০–আইহাং দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ওইনা বাইও–দাইভর্সিটি মেনেজমেন্ট কম্মিটি (বি এম সি) অথুবা মতমদা শেম্নবা ৱারেপ্লখ্রে।

আইহাং দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মেম্বর অমদি এ দি সি অসিগী চিয়ারমেন দি রিঙ্গো লমকাংসু শরুক য়াদুনা ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফমদা এ দি সি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ভিল্লেজ ১১ গী চীফ, সেক্রেটরী অমদি ভিল্লেজ ওথোরিটিগী থৌ পুবশিং শরুক য়াখি।

বাইওলোজিকেল দাইভর্সিটি এক্ট ২০০২ গী সেক্সন ৪১ (১০) অমসুং মণিপুর বাইওলোজিকেল দাইভর্সিটি রুল ২০০৮ গী রুল নম্বর ২১ গী মখাদা হায়রিবা বাইওদাইভর্সিটি মেনেজমেন্ট কম্মিটি অসি অথুবা মতমদা শেম্নবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা হায়জবগী ৱারেপ লৌখিবনি হায়রি।

## সেক্যুরিটি মিট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০২ (এস এন এস)ঃ নাইন সেক্টর অসাম রাইফলসকী কৈথেলমানবী বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা কৈথেলমানবী গেরিসনদা সেক্যুরিটি মিট পাঙথোকখ্রে। মিট অদুদা এরিয়া অদুগী প্রধান,ৱার্দ মেম্বরশিং, য়ুথ ক্লবকী মেম্বরশিং অমদি মীওই কয়া শরুক য়াখি।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, সেক্যুরিটি ফোরম অদুদা এরিয়া অদুগী ওইরিবা মীৎয়েংদা সেক্যুরিটিগী ফিভম অমসুং মীয়াম ভাব তামিন্নবা হায়বগী মতাংদা কূপ্না খন্ন–নৈনখি। থোকহন্নিংদবা থৌদোক ৱাথোক কয়াগী মায়োক্তা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈদুনা তৌফম থোকপশিং তৌনবগী মতাংদসু ৱারী ৱাতাই শানখি। সেক্যুরিটি ইসু খক্তা নত্তনা সিভিক এক্সন প্রোজেক্টকী মনুং চনবা মেদিকেল কেম্প অমদি নহারোলশিংগী কেরিয়ার কাউন্সেল্লিংগী মতাংদসু খন্নখি। অসিগুম্বা মখলগী মিট পাঙথোক্তুনা এরিয়া অদুদা ইং তপ্না লৈহন্নবা হোৎনবগীদমক মীয়াম্না থাগৎপসু ফোঙদোক্লরকখি হায়রি।

## ঙসিগী ৱাষি ফল (০৩–০৭–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** শোক্কনবা, খৎনবা, হকচাং ৱাখল ফবা ৱাৎপা মতম্নি। শেল চৎপনা হেল্লগনি। পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা চরাঙনবা মতম্নি। নক্ষত্র ১ ফত্তে, ২ ফগনি, ৩ ফত্তে।

**বৃষঃ** খৎনবা, শাওনবা, মত খেন্নবা মতম্নি। শেল চৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবা মুন্না য়েংবা তাবনি। অচৌবনা চানবিরগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪ ফগনি, ৫ ফত্তে।

**মিথুনঃ** ৱারৌবা, খৎনবা, কোক শাবা মতম্নি। লম চৎপা মী তিন্নবদি হৈ শিংবা তাবনি। অচৌবনা চানবিরগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৫ ফত্তে, ৬,৭ ফগনি।

**কর্কটঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লমতু চৎপা হৈ শিংবা ফগনি। অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৭,৮,৯ অফবনি।

**সিংহঃ** অশোক অপন থেংনবা, অরানবা তাবা, শেল চৎপা মতম্নি। হকচাং ৱাখল নুংঙাইবা ৱাৎলগনি। লম চৎপা ফত্তে। অরুবদি পাঙথোল্লগনি। নক্ষত্র ১০ ফত্তে, ১১ ফগনি, ১২ ফত্তে।

**কন্যাঃ** মত খেন্নবা, ৱারৌবা, তোখাই তাবা, অরানবা তাবা মতম্নি। শেল চৎপনা হেল্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩,১৪ ফগনি।

**তুলাঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, লম চৎপা কান্নবা ফংবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ১৪ ফত্তে, ১৫,১৬ ফগনি।

**বৃশ্চিকঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, লমতু চৎপা কান্নবা, মরুপ মফম ফগৎপা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৬,১৭,১৮ অফবনি।

**ধনুঃ** অশোক অপন থেংনবা, কোক শাবা, মীৱা মীশা তাবা মতম্নি। অরানবা তাবা মতম্নি। ইমুংদা চরাঙনগনি। অরুবা পাঙথোল্লগনি। নক্ষত্র ১৯ ফত্তে, ২০ ফগনি, ২১ ফত্তে।

**মকরঃ** চরক চহিং নাইবা, হন্নবা নাইবা মতম্নি। লম চৎপা হৈশিংবা তাবনি। শেল চৎপনা হেল্লগনি। পাঙথোক্লিংবা পাঙথোল্লগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২ ফগনি, ২৩ চাং অমদা লৈরগনি।

**কুম্ভঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২৩,২৪,২৫ অফবনি।

**মীনঃ** অচৌবশিংনা চানবিবা, মরুপ মফম চাউখৎপা,ঐগী মী মশীং য়ামখৎপা, ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিবা, শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৫,২৬,২৭ অফবনি।






